# নোর্থনা আই সি বি এম চাংয়েং তৌরকপা য়াই হায়না সাউথ কোরিয়ানা চেকশিনৱা হায়খ্রে



সিওল, সেপ্টেম্বর ০৪ (এজেন্সী) :
নোর্থ কোরিয়ানা তরুকশুবা অমসুং খ্বাইদগী চাউবা ন্যুক্লিয়র চাংয়েং পাঙথোকখ্রবা মতুংদা মিসাইল চাংয়েং কয়া পাঙথোরকপা য়াবগী খুদমশিং লৈবনা কোরিয়ন পেনিন্সুলাদা এয়রক্রাফট কেরিয়র অমসুং ষ্ট্রেটেজিক বোমরশিং ডিপ্লোই তৌনবগী মতাংদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকা ৱারী শানরে হায়না সাউথ কোরিয়ানা নিংথৌকাবা নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে।

মালেমদগী তোঙান তোঙানবা রেজিম অদুগী মায়োক্তা অচৌবা অথিংবা কয়া থম্লবা য়ু এন সিক্যুরিটি কাউন্সিলনা নিংথৌকাবগী অথেংবদা মীফম পাঙথোক্লগনি। য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনসু মিলিটরি ওপসন কয়াগী মতাংদা ব্রীফ তৌনবা হায়খি হায়না মহাক্কী ডিফেন্স চীফনা ফোঙদোকখ্রে।

মিসাইল থাগৎফমগী অকোইবদা চথুরিবা এক্টিভিটিশিংনা নোর্থ কোরিয়ানা অহেনবা মিসাইল চাংয়েং কয়া পাঙথোরকপা য়াবগী ইঙ্গিৎ পী হায়না ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখি।

অহেনবা বলিষ্টিক মিসাইল কয়া চাংয়েং তৌরকপা য়াবগী খুদম-চাংদম কয়া ঐখোয়না মখা তানা উবা ফংখি। নোর্থ কোরিয়ানা ইন্টরকন্টিনেন্টেল বলিষ্টিক মিসাইল অমা য়াম্না থুনা লোঞ্চ তৌবা য়াই হায়না ঐখোয়না থাজে হায়না নেস্নেল ডিফেন্স পোলিসিগী এক্টিং ডেপ্যুটি মিনিষ্টর জাং কেয়ং - সূনা নিংথৌকাবা নুমিৎতা পার্লিয়ামেন্টকী হিয়রিং অমদা হায়খি।

নোর্থ কোরিয়ানা হৌখিবা জুলাইদা আই সি বি এম অনী চাংয়েং তৌখি। মিসাইলশিং অদু কিলোমিটর ১৩,০০০ (মাইল ৬,২০০) রোম শান্না পাইবা ঙম্বনা য়ু এসকী মপূং লমগী মফম কয়া য়ৌবা ঙম্বা য়াই হায়না থাজনখি। আই সি বি এম চাংয়েংশিং অদুনা লৈবাক অসি অনৌবা অকনবা অথিংবা কয়া মায়োক্নরকখি। নোর্থনা নোংমাইজিং নুমিৎতা ন্যুক্লিয়র চাংয়েং পাঙথোকখিবা মতুংদা সাউথ কোরিয়াগী এয়রফোর্স অমসুং আর্মিনা নোংথক্তগী লৈমায়দা কাপ্পা অশানবা মিসাইলশিং অমসুং বলিষ্টিক মিসাইলশিং য়াওবা এক্সরসাইজশিং পাঙথোকখি।

ড্রিল অদুগী মথক্তা সাউথ কোরিয়ানা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকা কোওপরেসন পীনরগনি অমসুং এয়রক্রাফট কেরিয়রশিং অমসুং ষ্ট্রেটেজিক বোমরশিংগুম্বা ষ্ট্রেটেজিক এসেটশিং ডিপ্লোই তৌনবা খন্নরি হায়না জাংনা ফোঙদোকখি।

সাউথ কোরিয়াগী ডিফেন্স মিনিষ্ট্রিনসু অসুম্না ফোঙদোকখি মদুদি, গভর্নমেন্টনা ইনভাইরনমেন্টকী এসেসমেন্ট অমা মপূং ফারবা মতুংদা অনৌবা য়ু এস মিসাইল ডিফেন্স সিষ্টেম অমগী ৱাৎহৌরিবা লোঞ্চর মরি ডিপ্লোই তৌরগনি।

সাউথ কোরিয়াগী কেপিটেল সিওলগী মনাক্তা ৱাথোক ওইরবা টর্মিনেল হাই অল্টিট্যুদ এরিয়া ডিফেন্স (থাদ) সিষ্টেম ডিপ্লোই তৌবগী ৱাফমসু জুন থাদগী থিন্থদুনা লাকখি। মিসাইল ডিফেন্স সিষ্টেম ডিপ্লোই তৌবদু য়ূম্লোন্নবা চাইনা অমসুং রশিয়ানা কন্না য়ানিংদ্রিবনি। অশানবা মিসাইল অমদা হাপ্পা য়াবা খুমাং চাওশিল্লবা হাইদ্রোজেন বোম অমা চাংয়েং তৌরে হায়না নোংমাইজিং নুমিৎতা পিয়োংয়াংনা ক্লেম তৌখি। য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা খুদক্তা লৈবাক অসিদা নৎত্রগা মীচংশিংদা কিহল্লক্লবদি অচৌবা মিলিটরি পাউখুম অমা পীগনি হায়না চেকশিনৱা ফোঙদোকখি।

নোর্থ কোরিয়া কৌবা লৈবাক অমা মপূং ফানা মাঙহনবগী ৱাফমদদি ঐখোয়না মীৎয়েং থমদে হায়না য়ু এস ডিফেন্স সেক্রেটরি জিম মাটিসনা ট্রম্প অমসুং মহাক্কী নেস্নেল সিক্যুরিটি টিম উনরবা মতুংদা ফোঙদোকখি।

# ‘য়ু এননা মীচমশিংদা তেংবাংগী পোৎলমশিং য়েন্থোক্কপদা ম্যানমার গভর্নমেন্টনা অথিংবা পীরে’



নেপিয়িটো, সেপ্টেম্বর ০৪ (এজেন্সী) :
রাখিনে ষ্টেটতা শাথীরবা মিলিটরি কেম্পেন অমা চথুরিঙৈদা য়ু এন এইদ এজেন্সীশিংনা মীচম লীশিং কয়াদা য়াম্না তঙাইফদ্রিবা চীঙ্গাক, ঈশিং অমসুং হিদাক-লাংথক পীবদা ম্যানমারনা অথীংবা থমখ্রে হায়না ঙসি মীদিয়া রিপোর্ট অমনা ফোঙদোক্লি।

হৌখিবা ওগষ্ট ২৫ দা মিলিটেন্টশিংনা গভর্নমেন্ট ফোর্সশিংদা এটেক তৌখিবা অমসুং আর্মিনা শাথীবা মওংদা পাউখুম পীখিবা মতুংদা ৱার্ল্ড বোদি অসিনা মরুওইবা পোৎলমশিং য়েন্থোকপা লেপখি। ম্যানমার আর্মিগী কাউন্টর-ওফেন্সিভ অদুদা লালহৌবশিং অমসুং মীচমশিং য়াওনা মীওই ৪০০ হেন্না হাৎখ্রে হায়না গর্দিঅনগী রিপোর্ট অদুনা হায়খি।

ম্যানমারদা লৈবা য়ু এন রেজিদেন্ট কোও-র্দিনেটরগী ওফিসনা পাউচে অসিদা হায়খি মদুদি, সিক্যুরিটিগী ফিভম অমসুং ফিল্ড ভিজিটশিং পাঙথোকপদা গভর্নমেন্টনা অথিংবা থম্বদগী তেংবাংগী পোৎলমশিং য়েন্থোকপা ঙমদবদগী পোৎ-চৈ পীবা লেপ্লে। ওফিস অসিনা অসুম্না ফোঙদোক্লিবসিনা ওথোরিটিশিংনা ওপরেট তৌনবগী পর্মিসন পীদ্রে হায়বগী ইঙ্গিৎ উৎলি হায়রি।

হ্যুমেনিটরিয়ন ওপরেসনশিং য়াম্না থুনা মখা চথবা য়ানবা য়ু এননা ওথোরিটিশিং কন্টেক্ট তৌরি। তেংবাংগী পোৎলমশিং রাখিনেগী অতৈ মফমশিংদা য়েন্থোক্লি হায়না রিপোর্ট অদুনা ফোঙদোকখি।

শাথীরবা ঈরাংগী ফিভম অদুদা তাথী-তাওইনা তৌবীরবা মুস্লিম রোহিংয়া মাইনোরিটিবু ওৎপী-নৈবী হায়না মিলিটরিদা মরাল শীরিবনি। মুস্লিম রোহিংয়া লীশিং কয়া য়ূম্লোন্নবা বাংলাদেশতা চেন্নখি। মখোয়গী মনুংদা নোংমৈনা পানবদগী শোক্লবা কয়াসু য়াওখি হায়না য়ু এননা ফোঙদোকখি।

য়ু এন রেফ্যুজী এজেন্সী (য়ু এন ঐচ সি আর), য়ু এন পোপ্যুলেসন ফন্দ (য়ু এন এফ পি এ) অমসুং য়ু এন চিল্ড্রেন ফন্দ (য়ুনিসেফ) কী ষ্টাফনা নোরদর্ন রাখিনে ষ্টেটতা চয়োল অমা হেন্না থবক লেপ্লক্লে হায়না কোওর্দিনেটরনা গর্দিঅনদা হায়খি।

য়ু এন ৱার্ল্ড ফুদ প্রোগ্রাম (দব্লিয়ু এফ পি) না হায়খি মদুদি, ষ্টেট অদুগী অতৈ মফমশিংদা চীঙ্গাক য়েন্থোকপা লেপ্পদগী মীওই মিলিয়ন ১গী মরি থোকপগী অমা চানবা পোৎলমশিং চাং নাইনা ফংখিদ্রে।

ওক্সফাম অমসুং সেভ দ চিল্ড্রেন য়াওনা মরুওইবা নন-গভর্নমেন্ট এইদ ওর্গনাইজেসনশিং কনফ্লিক্ট এরিয়াদা চঙহনখিদ্রে হায়রি।

ম্যানমারদা লৈরিবা চাওরাক্লা রোহিংয়া মিলিয়ন ১.১ দা গভর্নমেন্টনা সিটিজনসিপ পীদে। ইথনিক মাইনোরিটিগী ট্রিটমেন্ট মওং অদুনা মরম ওইদুনা ম্যানমার গভর্নমেন্টবু মালেমনা কন্দেম তৌখি।

রোহিংয়া মুস্লিমশিং চহী কয়া লিশাং শিংনা মীওৎ-মীনৈ মায়োক্লদুনা লাক্লবসু, হন্দক ঈরাং হেনগৎলক্লিবদু খুদোংথীনিঙাই ওই হায়না লৌনরি। মসিগী মরমদি ঈরাং অদু অরাকন রোহিংয়া সালভেসন আর্মি কৌবা অনৌবা রোহিংয়া লালহৌবা গ্রুপ অমনা থোকহনখিবনি হায়না গর্দিঅননা মখা তাখি।

# ব্রিক্সকী ডিক্লারেসনদা পাকিস্টানদা বেজ তৌবা টেরর গ্রুপশিংগী মমিং পনখ্রে



সিয়ামিন, সেপ্টেম্বর ০৪ (এজেন্সী) :
পাকিস্টানদগী হৌরকখিবা টেররিজমগী মায়োক্তা ইন্দিয়ানা চথুরকখিবা কেম্পেনগী অচৌবা মায় পাকপা অমদা ব্রিক্সকী লৈবাকশিংনা ঙসি টেররিজম থেংননবা মপূং ফাবা খোঙজং অমা পুথোক্লিংবগী অপাম্বা ফোঙদোক্লখিবদা লাস্কর-ঈ-টাইবা (এল ঈ টি) অমসুং জাইশ-ঈ-মোহম্মদ (জে ঈ এম) গুম্বা পাকিস্টানদা বেজ ওইবা গ্রুপশিংগী মমিংশিং পনখ্রে।

হৌখিবা চহীদা গোৱাদা পাঙথোকখিবা ৮ শুবা ব্রিক্সকী সম্মিটতা পাকিস্টাননা শৌগৎপা টেররিষ্ট আউটফিটশিংবু ডিক্লারেসনদা য়াওহনবগী ৱাফম চাইনানা য়াখিদবনি।

লমদম অদুগী সিক্যুরিটিগী ফিভম অমসুং টালিবান, আই এস আই এস (জাইশ, অল কাইদা অমসুং মসিগী এফিলিয়েটশিং হায়বদি ইষ্টর্ন টর্কিষ্টান ইস্লামিক মুভমেন্ট, ইস্লামিক মুভমেন্ট ওফ উজবেকিষ্টান, হক্কানি নেটৱার্ক, লাস্কর-ঈ-টাইবা, জাইশ-ঈ-মোহম্মদ, টি টি পি (টেহরিক-ঈ-টালিবান পাকিস্টান) অমসুং হিজব উট-টাহরিরনচিংবা লালহৌবা গ্রুপশিংনা লমদম অদুদা চথুরিবা ঈরাং ঐখোয়না লুনা লৌই হায়না ৯ শুবা ব্রিক্স সম্মিটতা য়ানখিবা সিয়ামিনগী ডিক্লারেসন অদুনা হায়খি।

সম্মিট অদুদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অমসুং চাইনাগী প্রসিদেন্ট সি জিনপিং, রশিয়াগী প্রসিদেন্ট ব্লামিদির পুটিন, ব্রজিলগী প্রসিদেন্ট মিচেল ট্রেমর অমসুং সাউথ অফ্রিকাগী প্রসিদেন্ট জেকোব ঝুমানা শরুক য়াখি।

বোর্দর ৱাংমা লান্না ইন্দিয়াগী মিলিটরি ইষ্টাব্লিসমেন্টশিংদা এটেক তৌখিবগীদমক্তা জে ঈ এমগী চীফ মসূদ অঝারবু মরাল শীখি। অঝারবু ইন্টরনেস্নেল টেররিষ্ট অমনি হায়না লাউথোক্ল বা ইন্দিয়ানা য়ু এনদা মুভ তৌখিবদা চাইনানা হঞ্জিন-হঞ্জিন প্রপোজল অদুবু থীংখি।

ইন্দিয়ন অমসুং ফোরেনর ১৬৬ শিহনখিবা কুমজা ২০০৮ গী মুম্বাইগী টেরর এটেক অদুগীদমক্তা এল ঈ টিদা মরাল শীখি। সিয়ামিনগী ডিক্লারেসন অদুনা টেররিজমগী মওং খূদিংমকপু কন্দেম তৌরদুনা হায়খি, টেররিজমগী থবক অমৎতা চুমই হায়বা য়াগদবা মরম লৈতে। ব্রিক্সকী লৈবাকশিং য়াওনা মালেমগী মফম খূদিংমক্তা চথবা টেরর এটেক খূদিংমকপু ষ্টেটমেন্ট অদুনা কন্দেম তৌখি।

পাকিস্টানগী মমিং পন্দবীদা ষ্টেটমেন্ট অদুনা হায়খি, টেররিষ্টকী থবকশিং শৌগৎপা নৎত্রগা শিন-লাংলিবা অমসুং পাঙথোকপদা চেন্নবশিং মখোয়গী থৌওংশিংদুগীদমক্তা ফংফম থোকপশিং ফংহনগদবনি।

ব্রিক্সকী লৈবাকশিংনা টেররিজম মায়থীবা পীনবা অফঘান সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা হোৎনরিবশিংদুবু শৌগৎপা ফোঙদোকখি। মরাল লৈজদবা অফঘান মীচম কয়া শিহল্লিবা টেররিষ্ট এটেকশিংবু ঐখোয়না অকনবা মওংদা কন্দেম তৌই। খুদক্তা ঈরাং লেপ্পগী তঙাইফদবা লৈ হায়না ষ্টেটমেন্ট অদুনা ফোঙদোকখি।

# মোদি অমসুং পুটিননা ওইল, নেচরেল গ্যেস সেক্টরদা মতেং পীনবা হেনগৎনবা খন্নখ্রে



সিয়ামিন, সেপ্টেম্বর ০৪ (এজেন্সী) :
প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি রশিয়াগী প্রসিদেন্ট ব্লাদিমির পুটিনগা ৱারী শানখ্রে অমসুং মরুওইনা ওইল অমসুং নেচরেল গ্যেস সেক্টরদা লৈবাক অনীগী লল্লোন-ইতিক অমসুং ইনভেষ্টমেন্ট ফগৎহন্নবগী লম্বীশিংগী মরমদা খন্ন-নৈনখ্রে।

লূচিংবা অনীনা ব্রিক্স সম্মিটকী নাকোইননা চাইনাগী খা-নোংপোক থংবা সিটি সিয়ামিনদা উনখি। নাকল অনীনা বাইলেটেরেল মরীগী লমশিং শুনা খন্ন-নৈনখি। প্রসিদেন্ট পুটিননা চহী অসিগী অঙনবদা প্রাইম মিনিষ্টর মোদিনা রশিয়াদা খোঙচৎ অমা চৎখিবদুবু নীংশিংখি। ‘মহাক্না প্রাইম মিনিষ্টরবু ইষ্টর্ন ইকনোমিক ফোরম অদুদা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী অৱাংবা থাক্তা শরুক য়াবগীদমক্তা থাগৎখি’ হায়না চাইনিজ সিটি অদুদা এক্সটর্নেল এফেয়র্স মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্সপর্সন রভীশ কুমারনা সম্মিট মফমদা পাউমীশিংদা হায়খি।

রভীশ কুমারনা হায়খি মদুদি, মোদি-পুটিনগী মীফম অদুদা ওইল অমসুং নেচরেল গ্যেস সেক্টরদা কোওপরেসন পীনবগুম্বা লৈবাক অনীগী ওইবা ইসূ কয়া খন্নখি।

লল্লোন-ইতিক অমসুং ইনভেষ্টমেন্ট চাওখৎনবা মখোয়না করম্না খূৎশম্ননা থবক তৌমিন্নগদগে হায়বগী মতাংদসু লূচিংবা অনীনা খন্নখি হায়না কুমারনা হায়খি। মীফম অদুদা লূচিংবা অনীনা কলচরেল একচেঞ্জশিংগী মতাংদসু খন্নখি হায়রি।

রশিয়াদা চহী অসিগী অঙনবা শরুক্তা শিন-লাংখিবা ‘ফেষ্টিভেল ওফ ইন্দিয়া’ গী মরমদা প্রসিদেন্ট পুটিননা পনখি। লৈবাক অনীগী মরক্তা টুরিজম চাওখৎহনবা অমসুং নাকল অনীগী মরক্তা মহৈরোয়শিং একচেঞ্জ তৌনবগী মতাংদসু খন্ন-নৈনখি হায়না কুমারনা মখা তাখি।

# টাইফুন মাৱার চাইনাদা থুংখ্রে, মীওই ১৫,০০০ হেন্না শাফগদবা মফমশিংদা হোংদোকহনখ্রে



বৈজিং, সেপ্টেম্বর ০৪ (এজেন্সী) :
চাইনাদা চহীসিগী মনুংদা শিৎচিল্লকখিবা ১৬ শুবা টাইফুন ওইরিবা টাইফুন মাৱার লৈবাক অসিগী খা থংবা গুৱাংদোং প্রোভিন্সতা থুংখিবগা লোয়ননা মফমদুদা সেকেন্দ অমদা মিটর ২০ য়ৌবা খোঙজেলগী নুংশিৎ শিৎলে হায়না মিটিওরোলো-জিকেল ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

হৌখিবা অহিংগী অথেংবদা টাইফুন অদুনা থুংখিবা মফম অদুদা নোং কন্না চুখি। ঙা ফাবা চৎনখিবা হী ২,২০০ রোম হীথাংফমদা হঞ্জিন্নরকখি অমসুং মীওই ১৫,০০০ দগী হেন্না ময়ূম-মকৈ থাদোক্তুনা শাফগদবা মফমশিংদা হোংজিন্নখ্রে হায়না লোকল গভর্নমেন্টনা ফোঙদোকখি।

প্রোভিন্স অদুগী মিটিওরো-লোজিকেল সেন্টরনা হায়খি মদুদি, টাইফুন অদু কংফাল য়ৌরবা মতুংদা য়াম্না থুনা শোন্থরক্কনি অমসুং পূংদা কিলোমিটর ১০ গী চাংদা অৱাং নোংচুপ পাংনা শিৎখিগনি অমসুং প্রোভিন্স অদুগী অতৈ সিটিশিংদা নুংশিৎকা লোয়ননা নোং কন্না চুগনি।

ফ্লাইট অমসুং ট্রেন কয়া সর্ভিস লেপহনখিবগা লোয়ননা মতুং তাবা শাথীবা অৱা-অনাগী থৌদোক-শিংগীদমক্তা ওথোরিটিশিং মীকুপ-নাহুম শিংনা লৈনখ্রে হায়না সিনহুৱা ন্যুজ এজেন্সীনা ফোঙদোকখি।

মাৱার অসি হন্দক থাখায় অসিদা হাটো অমসুং পাখারগী মতুংদা চাইনাগী গুৱাংদোং প্রোভিন্সতা থুংখিবা অহুমশুবা টাইফুননি। হৌখিবা ওগষ্ট ২৭ তা ১৪ শুবা টাইফুন পাখার চাইনাদা থুংখি অমসুং গুৱাংদোং প্রোভিন্সকী টাইসান সিটিদা নুংশিৎকা লোয়ননা নোং কন্না চুহনখি।

চহী ৫৩ গী মনুংদা চাইনাগী খা থংবা শরুক্তা শিৎলকখিবা খ্বাইদগী মপাঙ্গল লৈরবা টাইফুন হাটোনা মীশি-মীনা অমসুং অমাঙ-অতা কয়া থোকহনখিবা মতুং নুমিৎ কয়ানি লৈরগা পাখারনা অমুক অমাঙ-অতা কয়া থোকহনখি।

গভর্নমেন্টনা মীওই ২৬,৮১৭ মতম খরগী ওইবা সেল্টরশিংদা হোং-জিনহনখি। লৌউ-শিংউগী লম হেক্টর ৬৬৪ রোম মাঙহন-তাকহনখি হায়রি।

# ইজরেলনা নোর্থ কোরিয়াগী ন্যুক্লিয়র চাংয়েং কন্দেম তৌখ্রে

*টেল অভিব, সেপ্টেম্বর ০৪ (এজেন্সী):*
*হৌখিবা নোংমাইজিংদা পিয়োং-য়াংনা ন্যুক্লিয়র চাংয়েং পাঙ-থোকখিবদুবু ইজরেলগী মিনিষ্ট্রি ওফ ফোরন এফেয়র্সনা ঙসি অকনবা মওংদা কন্দেম তৌখ্রে। ন্যুক্লিয়র চাংয়েং অদুগী কল্লবা শাফুনা জপান অমসুং লমদম অদুগী মফম কয়া নিকহনখিবনি।*

*নোর্থ কোরিয়ানা নোংমাইজিং নুমিৎতা অশানবা মিসাইল অমদা হাপ্পা য়াগদবা খুমাং চাওশিল্লবা মওংগী হাইদ্রোজেন বোম অমা পোকখায়হনখিবা মতুংদা ইজরেলগী ফোরন মিনিষ্ট্রিনা ঙসি থোকখিবা ষ্টেটমেন্ট অমনা নোর্থ কোরিয়ানা ন্যুক্লিয়র এক্টিভিটি কনখৎলক্লিবদু ইজরেলনা কন্দেম তৌই হায়খি।*

*চাংয়েং অদু নোর্থ কোরিয়ানা মালেমগী লৈবাকশিংগী অথিংবশিং মখা তানা থৌশাদবগী থৌওংনি। ইসূ অসিদা নোর্থ কোরিয়ানা সিক্যুরিটি কাউন্সিলগী রিজোল্যুসন খূদিংমক ঙাক্কদবনি অমসুং পাক-শন্না মাঙহন-তাকহনবা ঙম্বা খুৎলাইশিং চাংয়েং তৌবা অমসুং শাবা লেপকদবনি হায়না ইজরেলি ফোরন মিনিষ্ট্রিনা হায়খি।*

*মালেমদগী তোঙান তারবা লৈবাক অদুগী মায়োক্তা অনৌবা অথিংবা কয়া থম্নবগী ৱাফম খন্ননবা য়ু এন সিক্যুরিটি কাউন্সিলনা নিংথৌকাবগী অথেংবদা মীফম পাঙথোক্কনি।*

# ব্রেক্সিটনা বৃটিশ মীয়াম্বু খঙলমদবা কয়া খঙহল্লগনি : ঈ য়ু

লন্দন, সেপ্টেম্বর ০৪ (এজেন্সী): ব্রেক্সিট অসি ঈ য়ু থাদোকপগী ৱাফম শৌগৎতুনা ভোট পীখিবা বৃটিশ মীয়ামগীদমক্তদি ‘ইদ্যুকেস্নেল প্রোসেস’ অমা ওইরগনি হায়না ঈ য়ুগী চীফ ব্রেক্সিট নিগোসিয়েটরনা হায়খ্রে।

ইটালিদা পাঙথোকপা ইকনোমিক কনফরেন্স অমদা মিচেল বর্নিয়রনা হায়খি, ‘সিঙ্গল মার্কেট থাদোকপনা অরুবা মতুং তাবা মহয় কয়া লাকহনবা য়াই। মসি বৃটিশ মীয়ামদা হৌজিক ফাওবা শন্দোক্লা খঙহনদ্রি। সিঙ্গল মার্কেট থাদোকপা হায়বসি করিনো হায়বসি ঐখোয়না (বৃটিশ) মীয়ামদা খঙহনবা পামই’ হায়না বর্নিয়রনা ফোঙদোকখি। খ্বাইদগী নৌবা ব্রেক্সিটকী নিগোসিয়েসনদা লৈখাই তাবা ফিভম অমা পুরকপা ঙমখিদ্রবা মতুংদা বর্নিয়রনা কম্মেন্টশিং অসি ফোঙদোকখিবনি। অহুমশুবা রাউন্দগী ৱারী শানবদা লৈখাই তানা খুমাং চাওশিনবগী মওং লৈখিদে হায়না মহাক্না হায়খি।

ঈ য়ুগী চীফ নিগোসিয়েটর অসিনা য়ু কেবু সিঙ্গল মার্কেট থাদোক্লবা তৌবদা ‘ওইথোক্লোইদবা ফিভম’ অমা লৈহন্নবা হোৎনৈ হায়না মরাল শিরদুনা হায়খি মদুদি য়ু কেনা সিঙ্গল মার্কেট থাদোক্লবা ৱারেপ লৌরবসু মার্কেট অসিগী কান্নবশিংদি মখা তানা লৌনবা হোৎনৈ। ব্রেক্সিটনা সিঙ্গল মার্কেটতা য়ৈখাই-থিনগায়বা থোকহল্লোইদবনি। অমরোমদা, ব্রেক্সিটকী সেক্রেটরি দেভিদ দাভিজনা নিগোসিয়েসন অদু মশক থোক্লা প্রোগ্রেস লৈখি হায়না ক্লেম তৌখ্রে। ৱারী শানবদুদা ঈ য়ু অসি বৃটেনদগী হেন্না তাথোক-তাশিন য়ানবা ৱাৎলি অমসুং ওইবা য়াবা মীৎয়েংগা লোয়ননা থবক তৌবসু ৱাৎলি হায়বসি উৎখ্রে হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

অব্রোসেতি ফোরমদা ৱা ঙাংখিবা বর্নিয়রনা য়ু কেনা কুমজা ২০২০ ফাওবা ঈ য়ুগী বজেটকী চাদা ১৪ পুথোক্কনি হায়না হৌখিবা ২০১৪ দা থাজবা পীখিবদু ঙাক্কদবনি হায়না চেকশিন্না হায়খি।

# রোহিংয়া মুস্লিমশিং ওৎ-নৈবগী মায়োক্তা ইন্দোনেসিয়াগী মুস্লিমশিংনা প্রোটেষ্ট তৌখ্রে




জকার্টা, সেপ্টেম্বর ০৪ (এজেন্সী) :
ম্যানমারগী মশিং য়ামজদবা রোহিংয়া মুস্লিমশিংবু ওৎপী-নৈবীবগী মায়োক্তা গভর্নমেন্টনা অকনবা ফিরেপ লৌনবা তকশিল্লদুনা চথুরকখিবা প্রোটেষ্টকী হুম্নি চনবা নুমিৎ নিংথৌকাবদা মুস্লিম নুপী চা কয়ানা ইন্দোনেসিয়াগী কেপিটেলদা লৈবা ম্যানমারগী এম্বেসি মপানদা ডেমোনষ্ট্রেসন পাঙথোকখ্রে।

তিঙ্খং-তরানা কোইশিল্লগা থল্লিবা এম্বেসি অদু খুৎলাই পায়বা পুলিস দজন কয়ানসু ঙাক শেনখি। ফ্রেন্দস ওফ মুস্লিম রোহিংয়া কৌবা ইস্লামিক গ্রুপ অমনা শিন-লাংখিবা ডেমোনষ্ট্রেসন অদুদা প্রোটেষ্টরশিংনা “রোহিংয়া কল্লু” হায়না লাউখি অমসুং “রোহিংয়া মুস্লিম মনীং-মখা তম্নবা মীয়াম অমৎতা ওইয়ু” অমসুং “ম্যানমারদা মুস্লিমশিং পাক্তক্লনা হাৎপা লেপ্লু” হায়বা অচৌবা বেন্নরশিং পায়খি।

লালহৌবশিংনা ম্যানমার পুলিস অমসুং পরামিলিটরি পোষ্টশিংদা এটেক তৌবদগী ম্যানমারগী হাৎন-শুনবগী ঈরাংগা লোয়ননা রোহিংয়া লীশিং কয়া রাখিনে ষ্টেটতগী বাংলাদেশতা চেনশিনবা হৌখি। এটেকশিং অদু বুদ্ধিষ্টশিংনা মশিং য়াম্না লৈবা লৈবাক অদুদা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংগী মীওৎ-মীনৈশিংদগী মশিং য়ামজদবা রোহিংয়া মুস্লিমশিংবু কন্নবা হোৎনবগী থৌদৌ অমনি হায়না মুস্লিম লালহৌবশিংদুনা ফোঙদোকখি। মদুগী পাউখুম ওইনা ম্যানমারগী মিলিটরিনা “ক্লিয়রেন্স ওপরেসন্স” হায়না খঙনবা লালহৌবশিং তকথোকপগী ওপরেসনশিং চথুখি।

সেটলাইট ইমেজশিংনা রোহিংয়া মুস্লিম খুঙ্গং অমা ওইরিবা চৈইন খারলিদা বিল্ডিং ৭০০ মৈ থাবগী শক্তমশিং উৎখি। খুঙ্গং অদু রাইটস গ্রুপ অদুনা প্রোপর্টি মৈ থাবগী ইভিদেন্স শাগৎলিবা রাখিনেগী মফম ১৭ কী মনুংদা অমখকনি। নোবেল পিছ প্রাইজ ফংবা খ্বাইদগী নহা ওইরিবী মালালা য়ৌসফজাইনা ত্বিটরদা ফোঙদোকখি মদুদি, মহাক্না ফেলো নোবেল লোরিয়েট ম্যানমারগী লীদর ওং সান সু চিনা মাইনোরিটিদা চথুরিবা তমথীরবা থৌওংশিংদুবু কন্দেম তৌবা ঙাইরি।

ওষ্ট্রেলিয়াদা রোহিংয়া কম্যুনিটিগী মীওই ৩০০ লোম্না পার্লিয়ামেন্ট হাউসকী মপানদা পূনখি অমসুং গভর্নমেন্টতা ঈরাং অদুদা খূৎ থিংজিন্নবা তকশিনখি। হৌখিবা চয়োলগী অরোইবদা জকার্টাদা ইন্দোনেসিয়ন মুস্লিমশিংনা সু চিগী পিকচর অমা মৈ থাবগা লোয়ননা ম্যানমার গভর্নমেন্টকী মায়োক্তা প্রোটেষ্ট তৌখি। মখা তাবা প্রোটেষ্ট কয়া চয়োল অসিদা পাঙথোক্লবা শেম-শাখ্রে হায়রি।

লোকেল মীদিয়ানা সেন্ট্রেল জাভাদা লৈবা মমিং চৎলবা মমাঙঙৈগী বুদ্ধিষ্ট লাইশঙ অমা ওইরিবা বোরোদুদুরদা প্রোটেষ্ট তৌনবা গ্রুপ অমনা থৌরাং তৌরি হায়না ফোঙদোকখি। “রোহিংয়া মুস্লিমশিংবু পাক্তক্লনা হাৎপদা মালেম্না তুমিন্না লৈশিল্লি” হায়না নিংথৌকাবগী প্রোটেষ্ট অদুগী ওর্গনাইজর ফারিদানা হায়খি।